# মিজোরাম মায়থীবা পীরল্লগা মণিপুর সেমীফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬(ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা সব-জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি মণিপুর অমসুং মিজোরামগী মরক্তা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা মিজোরামবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীখ্রে। সেমীফাইনেলদা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা থা অসিগী ৯গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা লম্বা তৌনরগনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা বেরহামপোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি মণিপুর অমসুং মিজোরামগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মণিপুরগী টিমনা মিজোরামগী মায়োক্তা পূন্না পাঞ্জল ৭ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১৪ অমসুং অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা জুলান নোংমাইথেমনা অনী, ১৯ অমসুং ২৪ শুবা মিনটতা চিংখাময়ুম রেদিমানা অনী, ২৫, ৩৮ শুবা মিনটতা মোংজম পুস্পারানীনা অনী, অদুগা ৩৬শুবা মিনটতা য়াইফবী থোকচোমনা অমা চনখিবনি। মিজোরামগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা পাঞ্জল ৭-০দা মিজোরামদগী মাংজিল থারগা লৈখি।



অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা অদুম্মক লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৫৫শুবা মিনটতা মণিপুরগী তখেলময়ুম অশালাতানা পাঞ্জল অমা অদুগা অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা য়াইফবী থোকচোমনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ লোইবা ফাওবদা মিজোরামগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মণিপুরনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৯-০দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা মণিপুরগী জুলান নোংমাইথেমনা তাখি।

# কাং টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা লল্লেন কম্যুনিটি হোল কম কাংশঙদা কছার অসামগী কাংখূৎ অনী য়াওনা পূন্না টিম ৭না শরুক য়াদুনা অনীশুবা এলাংবম পুর্ণিমা দেবী লৈমরোল কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪ ঙসি হৌনবী মতুংইন্না জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৫গী ক্যেরটেকর কাউন্সিল্লর ঈ অশালাতানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এম এন সী নিংথেম্বমনা এম আই টি এল জিরিবামবু পাঞ্জল ৮-৬তা মায়থীবা পীখ্রে। ঙসি হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এন জয়চন্দ্র, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত, ওলিম্পিক এসোসিএসন জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এল রঞ্জিৎকুমার অমসুং দোনর ঈ তোমচৌনা থৌরম মপূ অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি হৌদোকপগী অহানবা গ্রুপ লীগ রাউন্দ মেটচতা এম এন সী নিংথেম্বমগা এম আই টি এল জিরিবামগা শান্নখি। মেটচ অদুগী ওইনা এম আই টি এল জিরিবামনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এম এম সী নিংথেম্বমনা কাং কাপ্পা হৌখি। কাংখূৎ অনীমক্না হৌগৎলকপদা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। হাফ মমাংদা এম এন সী নিংথেম্বমনা এম আই টি এল জিরিবামদগী পাঞ্জল ৫-৩দা মাংজিল থারগা লৈখি। হাফ মতুং শান্নখিবা অদুগী ওইনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা এম এন সী নিংথেম্বমনা এম আই টি এল জিরিবামবু পাঞ্জল ৮-৬তা মায়থীবা পীখিবনি।

হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এস এ আই সী সোরোক অতিংবী অমসুং এল ঈ সী বাবুপারা লম্বা তৌনরগনি।


# মণিপুর ষ্টেট সিনিয়র কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৬ (ঐচ এন এস):** ৭১রক শুবা মণিপুর ষ্টেট সিনিয়র কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ (মেন এন্দ ৱিমেন) এ এল য়ু সী প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট কবাদ্দি এসোসিএসন অমসুং ক্লবশিংদা মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুরাই অঙোম লৈকাইদা লৈবা এ এল য়ু সীনা য়ূম্বু ওইরগা মথং থাগী ১৮দগী ২০ ফাওবা চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোক্কদবনি। নুপা অমসুং নুপীগী ওইবা চেম্পিয়নশিপ অনীমক মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদবনি।

সিনিয়র মেন অমসুং ৱিমেনগী ওইনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী এন্ট্রি ফী লুপা ৫০০/৫০০ ওইগনি। অদুগা দিপার্টমেন্টেল নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসনশিংগী ওইবা টিমগী এন্ট্রি ফীনা লুপা লিশিং ২/২ ওইগনি হায়না এম এস কে এগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1239

**Bardiya Daneshvar (2290) - IM Junta Ikeda (2419)**
**25th Abu Dhabi Masters Abu Dhabi UAE, 2018.08.11**

1.d4 f5 2.Nf3 Nf6 3.g3 g6 4.Bg2 Bg7 5.O-O O-O
6.c4 d6 7.Nc3 Qe8 8.Re1 Qf7 9.d5 Ne4 10.Nb5 Na6
11.Nbd4 h6 12.e3 Bd7 13.Nd2 c6 14.dxc6 bxc6 15.Qc2 e5
16.N4b3 d5 17.f3 Nb4 18.Qb1 dxc4 19.fxe4 cxb3 20.axb3 f4
21.Rf1 Bg4 22.Ra4 Qe7 23.exf4 exf4 24.Rxf4 Rxf4 25.gxf4 Bd4+
26.Kh1 Qh4 27.Rxb4 Qe1+ 28.Nf1...

**QUESTION :**
**Black to checkmate**

**Puzzle 1238 Solution :**

51. Kg4 f5+ 52. Kh5
52. ...e5 53. Kxh6
53. ...e4 54. fxe4
54. ...f4 55. h5
55. ...f3 56. Kg7
56. ...f2 57. h6 f1=Q 58. h7
58. ...Qg1+ 59. Kf7
59. ...Qh2 60. Kg8 Qb8+ 61. Kg7 Qe5+ 62. Kg8 Qg5+ 63. Kf7 Qh6 64. e5 Kxe5 65. Kg8 Qg6+ 66. Kh8 Qe8+ 67. Kg7 Qe7+ 68. Kg8 Ke6 69. h8=Q Qf7#
0-1

LOAN AVAILABLE
for Vehicle / Machinery / Pension
(used vehicles exchange offer)

# 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
# 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
# 4/Wheeler (Commercial) : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
# 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
# Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
# 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
# State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

EMPLOYMENT NEWS
# Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy), Driver 2, Security/ Gunman 2/2 পামজে।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086

HL-B/9010/18/8-1/11(alt)







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com